# ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে

## (য়ু এসনা 'পেরিস দিল'দগী তোকখিবা - কুমজা ২১০০ দা মালেমদা মীওইবা হিংবা ৱারগনি, গ্লোবেল ৱার্মিংগী শাথিরবা চৈথেংদগী ঙাকথোক্নবা থেংনরসি)

### সোটিনকুমার

***য়ুনাইটেদ নেসন্সকী*** ইন্টর গভর্ণমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেট চেঞ্জনা হৌখিবা নবেম্বর ২, ২০১৪ দা কোপেনহেগেন্দা ফোঙদোকখিবা ৱারোলদা মালেমগী ওইনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২ দগী হেন্না হেনগৎহন্দনবগীদমক লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং অথুবা মতমদা লৌখৎহৌদ্রবদি কুমজা ২১০০ দদি মালেমসিদা মীওইবা অমদি জীব পানবশিং হিংবদা ৱারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অথুবা মতমদা অকনবা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি মতম হেন্দোকখিদৌরে হায়না অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা থাদোল্লিবা কার্বোনগী চাং অসিনা মালেমসিবু খম থেংনা মাঙহন-তাকহনবগী মতম নকশিল্লক্লে হায়নসু নুংনাংবা ফোঙদোল্লি। য়ু এন পেনেলসিনা থিজিন হুমজিনবদা ফংলল্লিবা ফলসি গ্রীন হাওস ইফেক্ট থোকহল্লিবা মরুওইবা গ্যাস অহুম - কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন, ক্লোরোফ্লোরো কার্বোন অসিনা মালেমদা থৱায় পানবা জীবশিং লৈবা হৌরকপা চাউরাক্লা ঙসিদগী চহী মিলিয়ন নিপানগী মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাং ৱাংনা থাদোল্লিবসি ১৮ শুবা চহীচাগী ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন মতুংদগীনি। মালেমগী লৈবাক খরনা শেঞ্জাও পায়বগী লম্বীদা অথোই অহেন তান্নবগী লমজেলদা য়াংনা চেনশিল্লকপগা ঈরোইননা গ্রীন হাওস ইফেক্ট অসিসু অসুম অসুম হেনগৎলক্তুনা ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইদা অকনবা চৈথেং কয়া পীররে। হৌজিক চত্থরিবা মওং অসি থিংহৌদবা তারবদি কুমজা ২১০০ য়ৌরকপদদি শাবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৪ হেনগৎলক্তুনা ইকং অমদি ঈশিং ঈচাও থোকপা, সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলকপা অমদি জীব মখল মখা কয়াগী খোঙ্গুল মুৎখিগদৌরি। শেঞ্জাও পায়বগী নীতিনা নেচরেল রিছোর্স কয়া বিজ্ঞানগী মতেংনা খাকপা লৈতনা লৌথোরকপা অসিনা মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইশিংনা চাবা থকপা ফংদবগী চৈথেং লোয়ননা লৈফম চাফম লৈতদুনা মচি মচিদা য়ারেকপগী য়েংঙমদ্রবা ফীভম কয়া উরক্কদৌরি। হান্নগী য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল বান কি মুননা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা য়ূম্ব ওইদুনা ফমখিবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী অখন্নবা সমিট অদুদা মহাক্না থমখিবা ৱাফম 'মীওইবনা ক্লাইমেটিক কন্দিসন অসিবু চাউনা ইনফ্লুয়েন্স তৌরি হায়বসি অসুম অসুম ময়েক শেংবা হেনগৎলক্লি, মসিনা থোকহল্লক্কদৌরিবা খুদোংথিবা কয়াদুদগী ঙাকথোকহৌনবা য়াম্না অথুবা অচুম্বা ফিরেপ লৌদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপগী তঙাইফদবগী তাঙ্কক য়ৌরক্লে। মহাক্না মখা তাখিবসি কার্বোন গ্যাস থাদোকপগী প্রোব্লেম টেকন তৌবদা শেল য়াম্না চঙগনি হায়বসি লান্না থাজবনি (য়ূম্ফম য়াওদবনি)' হায়বসিনি।

য়ু এসকী হান্নগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনসু থল্লিবা রিপোর্ট অসি মহৌশানা নৌহৌনা ৱার্নিং অমুক তৌরকপনি হায়খি। মথংগী কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকখিবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মীফমগী য়ূম্ব ওইখিবা লৈবাক ফ্রান্সনসু য়াম্না থুনা মালেম শিন-থুংনা শাথিরবা ফীভম অমা মায়োক্লগদৌরিবা অসিগী মতাংদা মোবেলাইজ তৌবগী তঙাইফদবা ৱাফমশিং থল্লখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা আই পি সী সীগী মকোক রাজেন্দ্র পচাওরীনসু গ্লোবেল ৱার্মিংগী ওইরক্লিবা শাথিরবা ফীভমসিগী মতাংদা চেকশিন ৱারোল কয়া থল্লকখ্রে। মদুদি মালেমগী শাবগী চাং অসি-সেলসিয়স দিগ্রি অনী ফাওবগী মনুংদা থম্নবা হোৎনবগী তাঞ্জা অদু লৈশিল্লক্ক্রে, মিৎয়েং পূম্ন মক মায়কৈ অশোমদা চঙশিনবা য়াম্নমক তঙাইফদ্রে।

নেচরগী শক্তম মরায় চাইথরকপগী চাং হেনগৎলক্লিবসিগী হৌরকফমদি - শেঞ্জাও পায়বগী নিতি কেপিটেলিজম্ন নি। কেপিটেলিজমদা য়াওরিবা ফ্রী মার্কেট ইকোনোমিগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমদি কৈথেলদা অয়োন পোৎ চাওরাকপা অসুক শিৎলবা য়াই হায়না খল্লগা শারবা পোৎশিংদু শিৎলবতদা কেপিটেলিষ্টশিংনা মখোয়গী শেন্দোং ফংবা ঙমই। প্রদক্টিভ ফোর্স মপাঙ্গল ফগৎহন্দুনা পোৎ হেন্না পুথোকই, শেন্দোং হেন্না তানশিল্লি। কেপিটেলিষ্ট ফ্রীদম লৈঙাক্লোইশিংনা শেমই, মসিগী ৱাহন্থোক্তি ইকনমি কম্পীটিসন্দা নীংতম্বা হায়বনি। কেপিটেলিষ্ট মশেল শেন্দোং তানবগী হিদান্নবদা লৈবাক্কী আইন্না অয়াবা পীথোকপা, ইকনমি কন্ট্রোল তৌবিদবা অদুনা লিশাং শিৎনা নেচরেল রিছোর্সশিং শেন্দাংগীদমক লৈজবী থাদুনা পেকথোকপদা লমজেল তান্নরকপদা মালেমগী মীয়াম পূন্না অৱা মৈশা কয়া মায়োক্লুরে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী জুলাই অমদি অতৈ ফমখিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী য়ুনিয়ন বজেটশিং পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখ্রে। লাইবক থীবদি ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা বজেটকী মতাংদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট, ফোরেষ্ট, ৱাইল্ড লাইফ, বাইওদাইভর্সিটি অমদি ইকোলোজিগী মতাংদা য়াম্না মরীক চুম্বা ৱাফম থমখিদবসিনা লৈঙাকসিনা অনৌবা, প্রাক্টিকেল ওইবা অচুম্বা খোঙথাং লৌখৎতুনা এনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈনবা ইস্যুশিং সোল্ভ তৌনবা টাইম-বাউন্দ প্রোগ্রাম পায়খৎলক্কনি হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদ্রে।

বজেটশিংসিদা হাপ্লিবা প্রোভিজন অনীদি সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট অমসুং গ্রীন ইকোনোমিনি। মসিগী মনুং চন্না পায়খৎলক্কনি হায়রিবা প্রোজেক্টশিংদি-কার্বোন থাদোকপগী চাং হন্থহন্দুনা হৱা-নুংশিৎ শেংহনবা, টেক্নোলোজি পুথোকপা, শেনয়াম অমা থাদদুনা গঙ্গা তুরেল শেংদোকপা, ৱেষ্ট লেন্দ দিভলপমেন্ট অমদি ইন্দষ্ট্রিগী হূ চেনবা অরেমখাক্না শীজিন্নবদা হকচাং শোকনীংঙাই ওইরবা ঈশিং শীজিন্নবা য়ানবা শেংদোকপা য়াওরি। অদুবু নুংনাংনীংঙাই ওইরিবদি মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বা য়ু পি এগুম্না থবক থৌরমশিং অসি পায়খৎপদা অনৌবা হেন্না চুশিন্নবা ৱাখল্লোন্দি পুথোক্ত্রি। শেনফম কা হেন্না চঙদনা শাবগী চাং অসি ২° সেলসিয়সতা থম্নবা হোৎনবা মতমদা কার্বোন থাদোকপগী চাং অসি হৌখিবা কুমজা ২০১০ দগী ২০৫০ ফাওবগী (চহী ৪০) মতম অসিদা মালেমগী ওইনা চাদা ৪০ দগী ৭০ ফাওবা হন্থহনবা তাবনি। অসুম্না তৌরবদি কুমজা ২১০০ দদি গ্লোবেল টেম্পরেচর হেনগৎতনা লৈহনবা ঙমগনি।

অমরোমদা মালেমগী ওইনা কুমজা ২০১৫ অসি য়াম্না মরু ওইখ্রবা ৱাফম ওইখি - সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা পোলিসি অমা লাউথোক্কদবা চহী ওইখি। হৌখ্রবা এনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈনবা ষ্টেট্রেজি কয়াদু নৌহৌনা নীংশিংদুনা কুমজা ২০১৫ গী মতুং তারকপা চহীশিংদা অঈং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঋতুগী অহোংবা লাকপগা ইরোয়ননা পুরকপা অওনবশিংদু মীওইবা অমদি লেঙলি পাল্লিবা জীবশিংগী পুন্সিদা শিংনদবা ওইহন্নবগীদমক য়াম্না পোজিটিভ ওইবা এপ্রোচ খলহৌবগী মথৌ তাখি।

পেরিসতা পাঙথোকখিবা ক্লাইমেট চেঞ্জ কনফরেন্সকী মাঙওইননা দিসেম্বরদা য়ু এনগী ওইবা মীফম অমা লিমাদা পাঙথোক্তুনা গ্লোবেল ৱার্মিং অসি হেন্না শাফগদবা ২° সেলসিয়সতা থম্বা য়ানবা পোরম য়াৎখি। হৌখিবা চহী কয়া অসি নেগোসিএসন চত্থদুনা করম করম্বা লৈবাক্না কার্বোন থাদোকপা হন্থনবগী লৌখৎপা থৌশিলদা চঙগদবা শেনফমগী দায়ত্ব লৌগদৌরিবনো হায়বসিদা নৈনদুনা লাল্লি অদুবু লৈখায় তাবদি ঙমদ্রি।

রিপোর্টসিনা মখা তারিবদি তরু তনানবা অকোয়বগী শক্তম শেমগৎপা, ইনর্জি ইফিসেন্সি হন্থহনবা লোয়ননা ইমিসন (মৈখু) গী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবদা চঙবা শেনফমনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকহনবা অমাং অতাদগীদি শেনফম হন্থগনি হায়বসিনি। হৌজিক্কী ওইনদি মসি ওইথোক্নবা হোৎনবদা চঙবা শেনফম অসি শিন্দোক্নবদা পংৱাং ৱানা থোক্লোই অদুবু কুমজা ২০৩০ লান্থোকপদা অমুক শেমগৎপা ঙম্লরোইদবা মওংদা শাথিনা অওনবা লাক্তুনা তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিং হিংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লগদৌরি। অদুবু অৱাবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৫ গী পেরিস ক্লাইমেট দিলদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস তোক্লগনি হায়না জুন ২, ২০১৭ তা হ্বাসট হাওসকী রোজ গার্দেন্দা ফোঙদোকখ্রে। মাগী ৱারোলদা পেরিস একোর্দ অসিনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন লৈখা তাহনগনি, ৱার্করশিংগী মখোঙ শিথহনগনি, নীংতম্বগী মপাঙ্গল শোন্থহনগনি। য়াবা ঙল্লোইদবা লিগেল রিএক্সন লাক্কনি। অদুগা মালেমগী লৈবাক অতৈগা য়েংনবদা ঐখোয় মতম পূম্নমক্কী ওইনা খুদোংচাদবা ফীভমদা লাকহনগনি হায়খি।

পেরিস ক্লাইমেট এগ্রিমেন্ট অসি মালেমগী লৈবাক ১৯০ হেনবনা সাইন তৌনখিবা ইতিহাসিক ওইরবা দিলনি। অদুগা লৈবাক অমখক্তনা অমুক হন্না ৱারী শান্ননবা হৌদোকপা য়ারোই হায়বা য়ুনাইটেদ নেসন্স ফ্রেম ৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেট চেঞ্জনা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। দোনাল্ড ত্রম্পকী মীওইবা খুন্নাইদা ৱাফমসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈ মাঙজৌননা পেরিস ক্লাইমেট চেঞ্জ দিলদগী চাইনানা কৈদৌঙৈদা তোক্লোই হায়না চাইনাগী প্রেমিয়র লি ক্রেকিয়াংনা জুন ১, ২০১৭ তা ফোঙদোকখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্থোনিও গাচিরেজনা য়ু এসতা পেরিস দিলদগী হন্দোক্তনবা তকশিনখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম কয়াসিনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী ৱারোইশিন পুরকপদা য়ু এস ইম্পরিয়েলিজমনা লৌরক্লিবা খোন্থাং অসিনা কুমজা ২১০০ দা মালেমদা মীওইবা হিংবদা ৱারগদবা ফীভম অমা মায়োক্লুহনগদৌরে।




য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টর গভর্ণমেন্টেল পেনেলদা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা থল্লক্লিবা মরুওইবা ৱাফমশিং :

| *মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম* | *মালেমগী তুংদা ওইরক্কদবা* | *২° সেলসিয়সতগী হেনগৎতনবগী টার্গেট* |
| --- | --- | --- |
| * কুমজা ১৭৫০ গী ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা থাদোরক্লিবা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং বিলিয়ন টোন ২,০০০।<br><br>* কুমজা ১৮৮০ দগী ২০১২ ফাওবদা মালেমগী ওইনা হেনগৎলক্লবা লৈমায়গী টেম্পরেচর - ০.৮৫° সেলসিয়স<br><br>* কুমজা ১৯০১ দগী ২০১০ ফাওবদা চাংচৎতা হেনগৎলক্লিবা সমুদ্রগী ঈমায় সেন্টিমিটর ১৯।<br><br>* ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা হেনগৎলক্লিবা সমুদ্রগী ঈশিংদা এসিদ য়াওবগী চাং চাদা ২৬-%। | * রিপোর্ট অসি গ্রীন হাওস লেবেলদা বেজ তৌবা রিপ্রজেন্টেটিভ কন্সেন্ট্রেসন পাথৱেজ (আর সী পি) হায়না খঙনবা সীনারিও মরি শীজিন্নে।<br><br>* লোয়েষ্ট সীনারিও আর পি সী ২.৬<br>* সেঞ্চুরি অসিদা গ্লোবেল এভরেজ টেম্পরেচর ০.৩-১.৭° সে. হেনগৎকনি।<br>* মসিনা সমুদ্রগী ঈমায়গী লেভেল সী এম. ২৬-৫৫ হেনগৎকনি।<br>* ৱার্ষ্ট কেস সিনারিও - আর সী পি ৪.৫<br>* শাবগী চাং ২.৬ তগী ৪.৮° সে. হেনগৎকনি।<br>* মসিনা সমুদ্রগী ঈমায় সী এম ৪৫-৮৫° হেনগৎকনি।<br><br>ইমিসন হন্থনবা মেজর অমত্তা লৌখৎত্রবদি ২১০০ দদি শাবগী চাং অসি ৪° সে. হেনগৎকনি।<br><br>হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা অসুম চত্থবা তারবদি ২১ শুবা চহীচা লোইশিল্লকপদা মালেমসিদা পাক শন্না য়াম্না শাথিবা অমুক হন্না শেমগৎপা য়ারোইদবা তমথিরবা অহোংবা (উপদ্রোপ) কয়া থোক্কনি। | * কুমজা ২০৫০ ফাওবদা মৈখু থাদোল্লিবগী চাং অসি চাদা ৪০-৯০ হন্থহন্দুনা ২১০০ দা ০° সে. তা থম্নবা হোনবা।<br><br>* কুমজা ২১০০ দা এটমোসফিয়ারদা য়াওরিবা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং অসি মিলিয়ন অমদা ৪৫০ দগী হেলহন্দবা।<br><br>* ঐখোয় মীওইবতনা কার্বোনদাইওক্সাইদ বিলিয়ন টোন ১০০০ থাদোকই। |

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ওইজনবা হোৎনবদা পৈশাদা লাইচুরকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***গভর্ণমেন্টকী*** থবক অমা ফংহৌরবদি ফংহৌরিবা মহাক্তু খ্বাইদগী লাইবক ফরবনি। য়াম্নমক পৈশা পায়দ্রবসু কাবক-কাবক হিংবদদি অদুমক য়ারগদবনি। মতৌ অসুম্না মচা মশুশিংবু মহৈ মশীন তম্নবা হোৎনবদা শোয়দনমক্কী গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তমহনগদবনি হায়বগী তৌদবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা লৈহনবদা প্রাইভেট স্কুলনা হেনগদবসিবু কদায়দনো? প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয়শিং অয়াম্বা হৈবগী চাং ফনা নিংথিজনা ৱাংনা লৈ। তাকপী তন্বীবদসু অদুমক হেন্দুনা লৈরবনিনা অহেনবা অফবা ওইনবগী লম্বী হেন্দোক্লা লৈরিবনি।

গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজা, প্রাইভেট স্কুলগী ওজা অনীসিগী খেনবা লৈবনা অহেনবা হায়বদু অদুমক লাকপনি। পরিক্ষা পাস তৌবগী চাং গভর্ণমেন্টকী স্কুলনা হেন্দৌরিবসি করম্বা চহীদনো? তোলোপ ফনা নিংথিজনা ফংলবা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংনা তাকপী তন্বীবদা মহৈরোয়শিংনা হেনফম থোকপনি। প্রাইভেট স্কুলগী ওজাগী তোলোপনা হৈক্রু মনাদা য়োল্লগা ফংবসিনা করম্না অফবা মহৈরোয় য়াওরক্লিবা? মসিসু অঙকপা অমনি। চীংদা মান্দা তাবা ওজা, শোয়দনমক্কী স্কুলদুদা শুকচৎ চৎতনা মহুৎ অমা থল্লগা থাগী তোলোপ কায়দনা লৌবা ওজাসু য়াওরমদৌরিবনি। থিববু থিজিল্লবা শোয়দনা থেংনগদৌরিবনি। মেত্রিক পরিক্ষাদা মহৈরোয় অমা ফাওবা পাস তৌদবা গভর্ণমেন্টকী স্কুল ফনা নিংথিজনা চহী খুদিংগী অদুমক য়াওরি। মকোক মথং তাবগী অফবা মহৈরোয় পুথোকপসিদি গভর্ণমেন্টকী স্কুলদদি য়েমবৌনরবনি। ঙসি ফাওবসিদা করম্বা গভর্ণমেন্টকী স্কুল অমতনা মিং চল্লনবগী পাউচেশিংদা এদভর্টিজমেন্টকী ৱাফম থেংনবা য়াওখ্রব্রা? তৌসু তৌদে, লৈসু লৈতে। মসিনা করিগীনো হায়বা ৱাখল তাবা ঙমদ্রি। হীদাক তৌগে হায়দুনা থিবদা ফংদদনা অদুমক তোক্লগদবনি। মচং ওইবা মকোক মথং তারকপা মহৈরোয়দুনা ফংগদৌরিবা... মমল খরদি লৈদৌরবনি।

মসিগী মতাংদা য়াম্না মুন্না খঙবা কনাগুম্বগী মফমদা হংলুবদা চহী নিফু শুদ্রিবা মীওইদা ওজা মাইবনা পোৎশেম যাদুগী মন্ত্র-যন্ত্র পীদবগুম থোক্কদৌরিবনি। মসিনা মহৈগী পরম অমদা থমখ্রগা, অনা লায়েংশঙসিসু গভর্ণমেন্টকী, প্রাইভেটকী অনী লৈরিবসিনি। লায়েংশঙ অনীসি ফাওবা প্রাইভেটকী লায়েংশঙনা অনাবা লায়েংবা অদুমক হেল্লিবনি। গভর্ণমেন্টকী লায়েংশঙদগী অনাবা অমা রিফর তৌরকপদা প্রাইভেটকী লায়েংশঙদা অদুমক তৌরকপা মশীং কয়া অমা লৈখ্রবনি। প্রাইভেটকী লায়েংশঙদগী গভর্ণমেন্টকী লায়েংশঙদা রিফর তৌবদি পংয়াওবু য়াওদে। গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট অনীগী লমজেলদা প্রাইভেটনা শোয়দনা মকোক থোংদুনতা অদুমক লৈগদবা মাল্লক্লি। হৈথোই শিংথোইবা ডাক্তর, খূৎশু-খূৎলায় নিংথিজনা লৈ হায়বগী থাজবা লৈবনা পৈশা চঙলবসু চঙনা অনাবা ফরগা লোইরে খনবদগী প্রাইভেট হোস্পিটালদা অদুমক লায়েংনরি। মুন্না খল্লুরবদি মসি ইকায়নিংঙাই ওইরি।




য়াম্না ঙকপা অমনা গভর্ণমেন্টকী ডাক্তরনা ময়ূমদা শেন্দাল লম্বী ওইনা অনাবা য়েংবা অসিনি। গভর্ণমেন্টনা পীরিবা তোলোপ অদুনা শিনবা কোন্নদবগীরা নৎত্রগা ডাক্তর তম্বদা পৈশা ময়াম অমা চঙখি হায়বগীরা? ময়ূমদসু লায়েংবগী পৈশা ফংবা, থাগী তোলোপসু ফংবা, মসিমা মীওই খুদিংদা ওইগদবা নত্তে। অয়েংমনগী হীদাক লৈনবগী য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং অমদি ঙাইহাক্তদা শ্বাই লাওদৌরিবনি। অনাবা অদুগী ইমুংনা লৈবা লৈতবা খঙদে হীদাক ময়াম অমা ইরক্লগা লোইরে। য়েৎতুম অমা য়ুংলগা বোড়া অমদা পিক থন্না য়াওবা হৱাই মঙ্গল মরু অমমম লৌদুনা লংবদা য়েৎতুমদুদা পানগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলি। খুবাম খুবাম পায়দুনা লংবদা অরং-অরংবা খুদিংগী অদুমক পান্দৌরিবনি। মসিমক্লি থবক খুদিংদা পৈশাখক্তগী লাইনীং ওইরকপা। মসিগী থৌওংসি মীনুংশিগী ওইনদি তান্নবনি। মসিগী লম্বীসিদি কুইনা লাই ওইদুনা লৈদৌরি। তুংগী খল্লগা করি থোক্লকপা? অফবা ওইদৌরিব্রা? নৎত্রগা ফত্তবা ওইদৌরিব্রা? মসিমক তঙাইফদনা খন্থবদা চেকশিন থৌরাং মাঙজৌননা লৌখৎপা হায়বদু তাদৌরিবনি।

মহৈলোইশঙগা অনা লায়েংশঙগা অনীসিদা গভর্ণমেন্টনা পৈশা ময়াম অমা থাদরবসু অহেনবা ওইবা হায়বদুমদি প্রাইভেটশিংনা ওইগদবা মাল্লি। করিদগী করম তৌনা হেল্লিবনো হায়বা খঙলবসু লৈঙাক্না নৈনবগী মতাং মতম চারবনি। খুদিংমক্তা অশোয়বা লাকপসিদি কনবীবগী মহুত্তা চহী চা খুদুং ইন্দনবা মতিক চাবা চৈরাক পীবনা অমুক হন্না ময়োল চোংখৎলক্লোইদৌরিবনি। লমদমসিদা গভর্ণমেন্টকী স্কুল কয়া লৈরিবা, লায়েংশঙ কয়া লৈরিবা পূম্নমকসি লমদমসিদা লৈরিবা চীং অমসুং তমগী মীচম মীয়াম অনীনা মপূং ফানা থাজবা হায়বদু ওইদবসিদনি লুরক্লিবসি। লম্বী-থোং মরাং কায়না লৈরবসু মীহাৎ মীপুননা নোংমা কাংদ্রবদা মতমসিদা নুংঙাইদা করম হায়গনি। খ্বাইদগী লুরিবসি থাজবা ৱাৎনরকপা মসিসু অমনি হায়বদা অরানবদি লায়রদুনা অদুমক চুমদৌরিবনি। খুদিংমক্তা শেলখক্কী খন্নবসিনা অশোয়বা ময়াম অমা লাক্লবগী লম্বী অমদি ওইরি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*